অহিংদা মফম চাদনা অমোৎ-অকাই হৈদোকপা লাকপা ফাইন লৌরগনি : এম এল এ করাম শ্যাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল অমা ওইরিবা মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিগী মেন গেটতগীনা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুর ফাওবগী মরক্তা অহিংদা অমোৎ-অকাই হৈদোকপা লাকপা মীওই ফারগা ফাইন লৌরগনি হায়না লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যাম্না ফোঙদোকখ্রে।

হ্যুমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (হুদা) লিৱা রোদ মাইবম লৈকাই অমদি চাওখৎ খোঙথাং ক্লব খা নাওরেম লৈকাই (সী কে সী) অনীনা শীন্দুনা এম য়ুগী মেন গেটতগী অৱাং অমদি নোংচুপ্লোমদা লংথবাল মন্ত্রিখোং ফাওবগী লম্বীগী নাকলদা লৈবা অমোৎ-অকাইশিং অমদি নাপী উরিনচিংবা ময়াম হৌজিনবশিং শেংদোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ করাম শ্যামনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল ওইরিবা অসিগী মনাক্তা লম্বীগী নাকলদা অমোৎ-অকাইশিং হুন্দোকপনা লায়না-তিন্না কয়া পোকহনবনা মহৈরোয়শিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরে।

ইশাগী লল্লোন ইতিক তৌবদা ময়ামগী খুন্নাইগী খনবা ঙমদ্রবদি ঐখেয় য়াম্না নীংবা কায়না লৈহৌরগনি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। অহিংদা লাক্লগা এম য়ুগী মেন গেট মনাক্তগী কেথোলিক স্কুল মনিং ফাওবগী মরক লিলাংখোং পল্লিগী লম্বী নাকলদা অমোৎ-অকাইশিং পুরক্লগা হুন্দোকপা লেপ্লিয়ু। মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা অমোৎ-অকায় হুন্দোক্লবদি ফাইন লৌরগনি।

এম য়ুদগী লিলোং ফাওবগী নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ অসিগী লম্বী অসি ৱানৱে ওইবা অমদি খরা পীকপা মরম্না য়াম্না তোয়না এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া য়াওরে। মহাক্লা মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা ৱাক্স মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা লম্বী অসি শেম্নবা কয়া হায়খ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা লম্বী অসি মেদিয়ান থমদুনা শেম্বগী থবক তৌদনা লৈরিবা অসি চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মীৎয়েং চংহন্নিংই।

অমরোমদা ককৱা অসেম লৈকাই এরিয়াদা নোং খরা হেক চুবগা নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ লম্বী মতেক অসি ঈশিং তোয়না থুন্লিবা অসিসু ঙসি মীয়াম্না শেংদোকখি। হান্না ককৱা পাৎ অসি পাৎ ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা লম্বী অসি ঈশিংনা থুন্লমদে। অদুবু ককৱা পাৎ অসি সোসাইটি অমনা রিংবল তৌদুনা ঙাগী ফার্ম ওইনা তৌখিবদগী ঈশিং চেনফম লৈতদুনা লম্বী ঈশিং থুম্বনি। ফার্ম অসিগী মনাক্তা ঈশিং চেনফম দ্রেন অমা থম্লগদি লম্বীদা ঈশিংনা খক থুল্লোই হায়রি। এম এল এনা হায়বদগী ককৱা পাৎ মনাক্তা দ্রেন অমা নৌনা তৌদুনা ঈশিং চেনফম থৈফম শেম্লগনি হায়রি। মসিদা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্নসু কোপোরেসন পীবিয়ু হায়রি।

নিংথৌনাইদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস):

ঙসি নোংমগী ওইবা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা য়াইরিপোক নিংথৌনাই প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও), হেদ ক্বার্টৰগী মীৎয়েং মখাদা ওর্গনাইজেসন অসিগী নিংথৌনাই ব্রাঞ্চনা সাইনা ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (সিমস), পোরোমপাৎকা খুৎশম্নদুনা শীনবনি।

হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা হেল্থ কেম্প অসিদা সিমসকী অখন্নবা মেদিকেল ষ্টাফ ২৫ না শাবা টিম অমনা মীওই কয়াবু লেম্না লায়েংখি অমসুং হীদাক-লাংথকসু পীখি হায়রি।

এ আরগী সোর্দে পোষ্টতা ভিলেজ সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙসি ক্রপ অসিগী সোর্দে পোষ্টতা ভিলেজ সিক্যুরিটি মীট অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ভিলেজ হেদমেন ১০ না শরুক য়াখি। হেদমেনশিং অদু সোর্দে, অলাং, ফুংয়ার, খোনজাল, লাওসিং, তুসোম, মাইলিং, সোরাথেল, পুংগে অমসুং সোর্বুং ভিলেজশিংগীনি হায়রি।

মীফম অসিদা হৌজিক চথরিবা নাগা পীছ একোর্দ অমসুং একোর্দ অসিগী মতুংদা খুলশিং অসিদা ঈং-তপ্পা লৈহনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা কাঙলুপ মশেলগী ইরাং, থিংলবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লা থম্বগী মতাংদসু খন্নখিবগা লোয়ননা ভিলেজ হেদমেনশিংদগী অসিগুম্বা এক্তিভিটিশিং অসিবু মায়োক্লবগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীরমখি হায়রি।

লোয়ননা অসাম রাইফলসকী ওপরেসনেল এরিয়াশিংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবগী মতাংদসু ঙসিগী মীফম্না খন্নখি। অদুগা নাগা মীয়াম্না চথরিবা পীছ তোক অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরকপা পাম্মী হায়বগা লোয়ননা অসাম রাইফলসশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোক্লবসু হেদমেনশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মখোঙ য়াওদবা থোং শাবীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস):

হৌজিক ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী (নেসনল হায়ৱে-৩৭)গী রিপ্যরিং অমসুং মেন্টিনেন্সকী থবকশিং নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)না পায়রবনিনা ঙাইহাক লৈতনা থোং তেকপা নৎত্রগা তৎপগী খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবগীদমক শঞ্জেনথোংগুম্বা নৎত্রগা হুগ্লি নৎত্রগা হাওরা ব্রিজগুম্বা পিলর য়াওদবা থোংশিং শাবীদুনা লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বীসিদা চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লন্দনবা হোৎনবিয়ু হায়না এক্স এম পি বি দি বেহরিংনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিন্দুনা আপীল তৌরক্লি।

য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীরকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা এন এস সী এনগী কাদর অনী অশোক-অপন নংলে হায়না মণিপুর পুলিস অমদি অসাম রাইফলসনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমবু গর্ভর্নমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম (জি পি আর এন) গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা নাকল অনী খূৎ থোক্লখি হায়বা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। এন এস সী এনগী মেম্বর খরা লৈবা য়ুম অমদা মণিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং ফিজম শেৎতুনা লাক্লগা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপদা লূপ অসিগী কাদর অনী শোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা কাদর অনীবু ফীজম হেক ফঙাৎলকপগা মণিপুর পুলিসনা ফানবা ঙাইদুনা লৈরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অসাম পুলিসনা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা টেজপুরদগী খম্পাই দব্লিয়ু অমসুং খুঙ্গি মিকাম কৌবা এন এস সী এনগী মেম্বর অনী খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়রিবা অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। মতৌ অসুম্না মণিপুর পুলিস, অসাম পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসনা এন এস সী এনগী মথক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীরকপা য়ানিংদে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হায় কোর্টপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস):

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা অচুম্বা ৱায়েল অমা থেংলবসু থেংনা ফংহনবীবগীদমক ষ্টেট অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিবু য়ুনিভর্সিএল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও), হেদ ওফিস তাওবুংখোক অৱাং লৈকাই (ইম্ফাল ৱেষ্ট)কী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এন কবিচন্দ্র মঙাংনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা মতুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। ইলেক্সনগী মতমদা শেল অমদি মতম মঙদনবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

বি জে পি ককচীং মন্দলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৮(ঐচ এন এস):

ভারতিয়া জনতা পার্টি বি জে পি ককচীং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থা অসিগী ৫দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা তাখিবা য়াথং অমনা হান্নগী ককচীং এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রবু দিসক্কালিফাই তৌদুনা ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন ফাইল তৌখিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু ককচীং এ সীগী এম এল এ ওইনবা পীরকখিবা য়াথংবু ককচীং মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা বি জে পি ককচীং মন্দলগী মায়কৈদগী ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, হয়েং ৩৭-ককচিং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌরগদবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু নুংথিল পুং ১ তারকপদা ককচিংগী য়ুম্বীমচা (সী ঈ এস সী এ) গ্রাউন্দদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লদৌরি।

বি জে পি, ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোক্লদবা থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস তিকেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইগনি হায়রি। থৌরম অসিদা বি জে পিগী মায়কৈদগী এন মঙ্গি, প্রেমানন্দ মৈতৈ, এ সর্দা অমসুং এম অসনিকুমারসু ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

এক্স-টেম্পোর স্পীচ অমসুং এসে কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট লেভেল ওপন এক্স-টেম্পোর স্পীচ কম্পিটিসন অমসুং ষ্টেট লেভেল ওপন ওনলাইন এসে রাইটিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ং মাইনস কলেক্টিভ, মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। থৌরম অসি পব্লিক একাদেমি, বেঙ্গুনদা পাঙথোকখিবনি হায়রি। চাংদম্নবা অনীমক্কী থিমনা 'রি থিঙ্কিং দি করেন্ট এদ্যুকেসন সিষ্টেম ইন মণিপুর হায়বসিনি হায়রি। চাংদম্নবা অনীসিগী মনুংদা এসে রাইটিং কম্পিটিসনদা মকোক থোংবা কম্পিটিটর মঙাগী মনুংদা অহানবদগী অহুমশুবা রেঙ্ক ফাওবদা লৈখিবশিংনা য়াইরিপোক চঙমদবীদগী এম কে তাজমালা, কৈরাও মক্তিং ময়াই লৈকাইদগী ইফাম রুহিমা অমসুং মকুই লোংদি ভিলেজদগী পৌগাইলুং গাংমৈনি হায়রি।

অদুগা এক্স-টেম্পোর স্পীচকী চাংদম্নবদনা মকোক থোংবা কম্পিটিটর তরুক্কী মনুংদা অহানবদগীনা অহুমশুবা রেঙ্ক ফাওবদা মকোক মথং তাখিবা কম্পিটিটরশিংনা কৈরাক মক্তিং ময়াই লৈকাইদগী ইফাম রুহিমা, বেঙ্গুনদগী এম দি অরাস অহম্মদ অমসুং য়ুম্নাম হুইদ্রোমদগী ধঞ্জয় লাইশ্রমনি হায়রি।

নীংথম মরু-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা বিদ্যানগর, জিরিবামদা লৈবা কেসেসুনট দিভলপমেন্ট ওফিতা নীংথম মরু-মরাং য়েন্থোকখ্রে।

য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা দি সী, জিরিবাম দব্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, এস পি এম মুবি, সী দি ও (কসেন্টনট দিলপমেন্ট ওফিসর) এল লুখোন অমদি সী দি ওগী ইন্সপেক্টর কে ধিরেননা য়েন্থোকখি। সী দি ওগী ইন্সপেক্টর কে ধিরেননা ফোঙদোরকপদা ঙসি জিরিবাম দি সী, এস পি অমদি সী দি ওনা জিরিবমগী ফার্মর ১৩০ রোমদা নীংথমগী মরু-মরাং অসি য়েন্থোকচবনি। মরু ওইনা হৱাই থরাক, খামেন অশিনবা, ফ্রেন্স বিন, তিলহৌ অমদি ৱাটর মেল্লননচিংবশিং য়েন্থোকখি। মসি মখা তানা জিরিবামগী মফমশিংদা য়েনখিগনি হায়রি।

জিল্লা পরিষদপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) : তুলিহল জিল্লা পরিষদ মেম্বর ওইবীরিবী কোংবম ওংবী ইনাওচানা তুলিহল জি পিনা কোনবা এরিয়া লাইমনাই থোংখোংদগী তুলিহল প্লে গ্রাউন্দ ফাওবা অমদি অজাদ গোলাইদগী অমুক তোপ চীংথা ঙানবা বাজার ফাওবা মেন রেদকী মফমশিংদা সোলর ষ্ট্রিট লেম্প মশিং কয়া থানবীদুনা লম্বীদা চৎপা মীওইশিংদা অমম্বগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরম্বা পুম্নমকপু কোহনবীবগীদমক লাইমনাই য়ুঠ ক্লবা য়াইরিপোক, নোংপোক নিংথৌ য়ুঠ এসোসিএসন অমদি তোপ চীংথা য়ুঠ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসনগী অপুনবা ক্লব অহুমগী মায়কৈদগী জি পি কোংবম ওংবী ইচাওচাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না তোপ চীংথা য়ুঠ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসনগী সেজনরেল সেক্রটরি শেঞ্জম মংলেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘সলাই দিপোজিটরশিংদা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা নবেম্বর ২ দা এন আই এনাগী স্পেসল কোর্টনা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদপু কুইনা থিংজিল্লম্বা ওফিসশিং অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকপা য়ারে হায়বগী য়াথং অমা পীরকখিবা অদু জে এ সী ফোর সলাই দিপোজিটরস অমদি জি পোজিটর পুম্নমক্লা তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা ৱায়েলশঙগী য়াথং অদুবু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌই হায়না ৱাংখৈ হিজম লৈরকতা লৈবা জে এ সী ফোর সলাই দিপোজিটরসগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম রাজু মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এন আই এগী মেন্দেডতা লালহৌবগা মরী লৈনবা ইশুদা থিংজিনবদা কম্পনি অমগী ওফিসশিং কুইনা থিংজিনবা অমসুং মসিগী একাউন্টশিং থিংজিনবা হায়বসি আইনগী মীৎয়েংদা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়না জে এ সীনা থমজরি তৌইগুম্বসুং মখোয়গী হক লৈ হায়দুনা এন আই এনা হায় কোর্টতা স্পেসল কোর্টকী ওর্দর অদুবু ষ্টে তৌবিনবা ৱাকৎলকপদা জে এ সী অমদি মীয়াম্না অঙকপা পোকপগা লোয়ননা য়নিংদবা ফাওই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি ইরমদম অসিবু চাওখৎনবা লমদমসিগী মীওইতনা চল্লাইজবা প্রাইভেট কম্পনিদা মীচম মীয়মশিংনা শেল থাদবা হায়বসি মালেম পুম্নমক্কী চৎনবীনি। অদুনা পীক্লিবা ইরমদম মণিপুরদা কনাগুম্বা খরনা লন্নাই কম্পনি লিংখৎচগে শেল থাদবিয়ু হায়বসিদা মতম-মতমগী গভর্নমেন্টশিংনসু সলাইগা চৎমিন্নদুনা পুক্লিং থৌগৎপা উংখিবগা লোয়ননা লমদমসিগ অখণ্ড-অহৈশিংনসু সলাইবু শৌগৎখিবা কয়াসিনা মীয়াম্না থাজদুনা শেল থম্লুবদা সলাই দিপোজিটরশিংবু লান্না উবিফম থোক্তে। ইন্দষ্ট্রি অমত্তা লৈত্রিবা লমদমসিদা নোংমগী শু-নোম্লগা তাঞ্জরগা শেল্লেপ মচা-মচা তুংশিঞ্জদুনা লমদমসিগী শেন্মিৎলোন ফগৎনবা হোৎনরকপদা সলাইদা য়াওরম্বা সমরজিৎ নারেংবম্না পোলিটিকেল গ্রুপ অমা লিংখৎলকপা অমদি আইনগী ৱাংমদা খোঙথাং অমা থাংখিবদু দিপোজিটর ময়ামগী অপাম্বা নৎখিদে অমদি দিপোজিটরশিংগী মরাল নত্তে হায়না রাঞ্জুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হৌজিকসু সমরজিৎ নারেংবমগী মথক্তা থিগৎপদা কন্নানসু অয়েৎপা লৈতে। তৌবতবু মীয়াম ৱাহন্নবা সলাই থিংজিনবদি মীয়াম্না য়ানিংদে। এন আই এনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈবা ওর্গনাইজেসন/দিপার্টমেন্ট অমা ওইরগদি মীয়ামগী ৱাহং অহুমখক্কী পাউখুম পীফম থোকই মদুদি সমরজিৎকী মথক্তা থিজিনবা অদু হৌজিক করি মতাং/ফিভম য়ৌবিরবগে, মরাল লৈরে হায়রগনা হৌজিক ফাওবা মাবু ফানবা ইন্টর্পোলগী খুথাংদা ৱারেন্ট থাদবগী মরম করিগীনো অমদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ু কে গভর্নমেন্টকী হায় কম্মিসন/এম্বেসিদা এন আই এনা করি তকশিনবা লৈরবগে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

লৌখৎফম থোকপা আইনগী খোঙথাংশিং লৌখত্তনা পীক্লবা, লায়রবা দিপোজিটর মীয়াম্বু ইনভেষ্টিগেসনগী মিংদা চহী কয়া ৱাহনবদি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। সলাইদা থম্লুবা মীয়ামগী শেল মাঙহন্নবা থৌওং অসি মীওইবগী হক্কী মীৎয়েংদগীদি মীয়ামগী ইকোনোমিক রাইট খোঙ্গাওনবনি। কংলাদগী অসাম রাইপল তানবগুম্না মণিপুরদগী এন আই এ চৎখ্রো হায়দুনা মীয়ামগী ইহৌ লাকনবগী চৈবাও পীবা ওইনা থোক্ননি। অদুগা মণিপুরগী ইকাই খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা ২ লায়র-অনংগী মমিত্তগী মপী তাহল্লোই’ হায়বিখিবা অমদি ‘সলাইদা থম্লিবা অথিংবগা মরী লৈনবা কেসপু এন আই এদগী লৌথোক্কনি’ হায়না এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পীবিখিবা থাজবা অদু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা অসি অথুবা মতমদা ওন্থোকপীনবা মীয়ামগীদমক খনবীরিবা পুকচেল চাওরবা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা সলাইদা শেল থম্লুবা লায়রবা মীয়মগী শেনফমশিং মাঙদনবা লম্বী শোয়দনা শীনবিগনি হায়না থাজবা থমজরি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাংগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

ঙসি ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অৱাবা নংলবা লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ময়াং লাংজিং তমাংগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লিবা মফমশিংদা মিনিষ্টর এস রাজেননা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপিরকখি। মসিগীদমক্তা মিনিষ্টর এস রাজেনবু ময়াং লাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লব অমদি মীয়াম্না তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়না ময়াংলাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লবগী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খঙজরাকপম্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্কুবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

ঙসি হেল্পিংফ্রেন্স ওফ ইন্দিয়া চেরিটেবল ষ্ট্রস ইম্ফালনা লাঙ্গোলদা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা চান-থক্কুবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

পোৎলমশিং অদুদি সিন্টেকস ১, চেঙ, আলু, থাউ, থুম, চিনি, চা মনা অমদি অচাথাউনচিংবা হায়রিবা পোৎলমশিং মতেং পাংবীরকপদগীদমক্তা ইন্টরনেসনল ওর্ফান হোমগী চ্যেরমেন ওইনাম মঙ্গি মৈতৈনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

‘লৈঙাক্লা নিঙোলশিংদা খুদোল ওইনা সিটি বস সর্ভিস ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) :

হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবদা পাঙথোক্লিবা মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরম অসিদা চৎথোক-চৎশিনদা খুদোং চাননবা মণিপুর লৈঙাক্লা খুদোল ওইনা নিঙোলশিংবু সিটি বস সর্ভিস ফংহনবীয়ু হায়না আম অদামি পার্টি মণিপুরগী ষ্টেট কনভিনর থৌদাম মনিহারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মথা তানা হায়খি মদুদি হৌজিক্কী লুরবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকী মতম অসিদা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি নিয়ম ঙাক্লা চৎপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী মথৌ ওইরি। খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর সর্ভিস লেপখিবনা চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা ওইরি। ওটোরিক্সো হায়র তৌরবসু এস ও পি নিয়ম কায়দনা মী চিন্না ফমদনা মমল তাংনা পীবা ঙমদবা লায়রবা নিঙোল কয়া লৈরি। মণিপুরগী চাওথোকচনিঙাই ওইরিবা ফজরবা নিঙোলশিংগী অমুক্তং ফংজবা চহীগী ওইবা কুন্ধো অসিগী য়েংবীদুনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা সিটি বস সর্ভিস অহোংবা মমল লৌরগা মতেং পাংবীয়ু। গভর্নমেন্টকী সিটি বস সর্ভিস অসিদা এস ও পি নিয়ম ঙাক্তুনা ফমফম শীন্দুনা পেসেঞ্জর মশিং হন্থনবা শীনবীয়ু। প্রাইভেট পেসেঞ্জর সর্ভিস তোংদুনা চৎপদা ভাইরস অসিদগী চেকশিন্নবা লৈঙাক্লসু নিয়ম শেম্বীরিবা ঙাক্লা চৎনবা হোৎনসি।

নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লিবা পেন্দমিক অসিগা লান্থেংনবদা মীইবগী পুন্সিনা লানঙম্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা মীচম-মীয়াম খুদিংমক্লা মতেং পাংদুনা তাইবং শেম্বা মপুদা থৌজানবিবা থৌনিজরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্লা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

CROSSWORD-3614

1		2		3		■	4	5		6		7
	■		■		■	■	■		■		■	
8					■	9						
	■		■		■		■		■		■	
10							■	11				
	■		■	■	■		■		■	■	■	
■	■	12		13						14	■	■
15	■	■	■		■		■	■	■		■	16
17		18			■	19		20				
	■		■		■		■		■		■	
21							■	22				
	■		■		■	■	■		■		■	
23						■	24					

ACROSS

1 Unwary (anag) (6)
4 Queen Victoria's husband (6)
8 Call upon (5)
9 Concert performance (7)
10 Pakistan's largest city (7)
11 Fatuous (5)
12 Colourful beetles (9)
17 Divine messenger (5)
19 Recuperate (7)
21 Pop the question (7)
22 Greek holiday island (5)
23 A score (6)
24 Lanced (anag) (6)

DOWN

1 Retract (6)
2 Nasal aperture (7)
3 Garret (5)
5 More fortunate (7)
6 Minor actor in crowd scenes (5)
7 Bank employee (6)
9 Pay back (9)
13 Apportion (4,3)
14 Cut off (7)
15 Floor covering (6)
16 Game bird (6)
18 Terrestrial sphere (5)
20 Bedtime drink (5)

Solution 3613

1 T	O	2 S	S	■	3 A	4 B	R	5 I	D	6 G	E	7 D
U	■	T	■	8 P	■	R	■	N	■	A	■	D
9 R	E	R	O	U	T	E	■	10 C	I	R	C	A
N	■	I	■	D	■	A	■	U	■	M	■	Y
11 C	O	P	E	D	■	12 S	U	R	R	E	Y	■
O	■	■	■	L	■	T	■	■	■	N	■	13 T
14 A	N	15 T	L	E	R	■	16 S	17 C	Y	T	H	E
T	■	R	■	■	■	18 S	■	A	■	■	■	E
■	19 F	O	R	20 M	A	T	■	21 L	I	22 G	H	T
23 C	■	D	■	I	■	U	■	V	■	E	■	O
24 A	I	D	E	D	■	25 P	R	E	S	E	N	T
L	■	E	■	A	■	O	■	S	■	S	■	A
26 M	I	N	I	S	T	R	Y	■	27 C	E	L	L

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3413

9	4	8						
							4	2
				4	6			
				9	8		1	4
4			1		5			6
7	9		2	6				
			7	8				
6	2							
						2	3	1

Solution-3412

5	9	2	8	1	7	4	3	6
1	4	8	2	3	6	9	5	7
7	3	6	5	4	9	2	8	1
2	8	4	6	5	3	1	7	9
9	7	5	4	8	1	6	2	3
6	1	3	7	9	2	8	4	5
4	6	1	3	2	5	7	9	8
8	5	7	9	6	4	3	1	2
3	2	9	1	7	8	5	6	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম


চেঙ তকপা লেপ্পু, ফৌশিংদু কৈথেল্দা য়োল্লু।
লৈবাক্কি চিৎবা তাঞ্জাসিদা নখোয়না তৌরিবদো লাল্লে।
করি ইরন্না লৈজবনি, নথৌ করি লৈ।